# পুলিস কোমেমোরেসন দেগা মরী লৈননা মরাথোন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা পুলিস কোমেমোরেসন দেগা মরী লৈননা ওপন মরাথোন অমা ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী মণিপুরগী দেপ্যুটি জেনরেল ওফ পুলিস এল এম খৌতেনা লমথাদুনা পাঙথোকখ্রে।

মরাথোন অদুদা নুপা অমদি নুপী পূন্না শান্নরোয় ১৩০০ রোম্না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদগী হৌরগা মীনুথোং, হাট্টা, ন্যু চেক্কোন, পেলেস গেট ফাওদুনা কৈশামথোং তম্না লাক্লগা কৈশামথোংদগী কৈশাম্পাৎ, ৱাহেংবম লৈকায়, নাগামপাল অমদি খুয়াথোং ফাওদুনা নোর্থ এ ও সী রোমদা লাক্তুনা নোর্থ এ ও সীদগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা অমুক পন্থুংফম ওইখি।

মরাথোন অসিগা মরী লৈননা দি জি পি এল এম খৌতেনা ফোঙদোকখিবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা মরাথোন অসি পুলিস কোমেমোরেসন দেগা মরী লৈনবা ইভেন্ট অমনি। ওক্টোবর ২১ অসি চহী খুদিংগী পুলিস কোমেমোরেসন হায়না পাঙথোক্লিবগী মরমদি লৈবাক অসিগী পুলিসশিংনা লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকখিবা অদুবু নীংশিংদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপনি।

নুমিৎ অসিদা মরাথোন নত্তনা অতোপ্পা এক্টিভিটিজ কয়াসু পাঙথোকপা য়ানবা হোৎনগনি। হন্দক মরাথোন পাঙথোক্লিবা অসি পুলিসখক নত্তনা মীচম মীয়াম কয়া অমসু শরুক য়ারি। মসিনা পুলিস অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎহন্নবগী মচাক অমা ওইগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পুলিস কোমেমোরেসন দে মরাথোন ২০১৮ অসিগী নুপা কাঙলূপ্তা চেছ নম্বর ২১৭ খুন্দোম রোমাজিৎনা অহানবা, চেছ নম্বর ২২৭ য়ুম্নাম অর্জিৎনা অনীশুবা, চেছ নম্বর ১২২ সাপম রোমেসনা অহুমশুবা, চেছ নম্বর ০১৯ কে এস ঐচ হেরোজিৎনা মরিশুবা, চেছ নম্বর ০৪৩ এম দি সাদিক্লা মঙাশুবা, চেছ নম্বর ২৫৩ এম দি সহিদ খান্না তরুকশুবা, চেছ নম্বর ০৪৪ এম দি মিনহাজুদ্দিন্না তরেৎশুবা, চেছ নম্বর ১২৬ নাওরেম টোকিওনা ৮শুবা, চেছ নম্বর ৮৯৪ ওইনাম প্রেমজিৎনা ৯শুবা, চেছ নম্বর ২৯১ লাইশ্রম ইঙোনা ১০শুবা, চেছ নম্বর ১৩১ কাঙুজম চীংলেন্না ১১শুবা, চেছ নম্বর ০৪২ এম দি সহিদুর রহমন্না ১২শুবা, চেছ নম্বর ২৩৯ এন কোনুংজাওনা ১৩শুবা, চেছ নম্বর ০৪৯ লাইশ্রম রিসিকেসনা ১৪শুবা অমসুং চেছ নম্বর ০২০ এম দি ইদ্রিসনা ১৫শুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তুনা চেছ নম্বর ৭১২ এন চাউবনা অহানবা, চেছ নম্বর ৭২৯ টি রুসিয়া চনুনা অনীশুবা, চেছ নম্বর ৭২৮ এস প্রেমিলানা অহুমশুবা, চেছ নম্বর ৭১০ অনিতানা মরিশুবা, চেছ নম্বর ৭০৯ দল্লিয়ু এম রবিয়ানা ৫শুবা, চেছ নম্বর ৭০৪ টি ঐচ ববিনানা ৬শুবা, চেছ নম্বর ৭৬৩ কে এস ঐচ রোমিতানা ৭শুবা, চেছ নম্বর ৭৭০ এস রোভানিনা ৮শুবা, চেছ নম্বর ৭৬৪ কে এস ঐচ সোনম্না ৯শুবা, চেছ নম্বর ৭৬১ ৱাই অশংবীনা ১০শুবা, চেছ নম্বর ৭০৮ এম এস অজিমানা ১১শুবা, চেছ নম্বর ৭০২ এম রঞ্জনানা ১২শুবা, চেছ নম্বর ৭০৩ এল এলিনা চনুনা ১৩শুবা, চেছ নম্বর ৭৪০ কে বিবিচানা ১৪শুবা অমসুং চেছ নম্বর ৭৬২ এস ঐচ মেমচানা ১৫শুবা পোজিসন তাখি।

নুপা অমসুং নুপীগী কাঙলূপ্তা অহানবা পোজিসন তাখ্রবা শান্নরোয়দা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২৫, অনীশুবা পোজিসন তাবদা লুপা লিশীং ২০ অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাবদা লুপা লিশীং ১৫ অমদি ৪শুবদগী ১৫শুবা পোজিসন তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা ২০০০/২০০০ সু খুৎশিন্নখি।



# এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবীনা মহাদেব নিংথেম্বম্বু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন (দি এ কে) জিরিবাম্না শীন্দুনা ঈ তোমচৌ অমদি মহাক্কী মচিন মনাওনা পূন্না খুৎশন্নদুনা লৈখিদ্রবা অপোকপী এলাংবম পুর্নিমাগী মমিংদা স্পোন্সর তৌদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপড়াদা লৈবা লমলেন কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা সেপ্টেম্বর ২৩দগী হৌদুনা চথরক্লিবা অহানবা এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিএল ৱিমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবী কাংখুৎনা মহাদেব নিংথেম্বম কাংখুৎপু মায়থীবা পীখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম কয়াদগী কাংখুৎশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিএল ৱিমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চথরকপা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি এস এ ৱাই সী অমসুং মহাদেব শান্নখি। মেচ অদু এস এ ৱাই সীনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা মহাদেবনা কাং কাপ্পা হৌখি। কাংখুৎ অনীগী মায়কৈদগী লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এস এ ৱাই সী কাংখুৎনা মহাদেব কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৪-১০দা মায়থীবা পীখি। ঙসিগী মেচ অদুদা এন কুঞ্জমোহোন্না অম্পায়র অমসুং এ ইবোতোন্না স্কোর কিপর ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা থা অসিগী ২৪দা এল ঈ সী কাংখুৎ অমসুং ঈচেল ক্লব কাংখুৎ শান্নরগনি হায়রি।



# বসন্তকুমারনা মেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে



ককচিং, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএসন (এম টি টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসন্না শীন্দুনা ককচীংগী য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ (কেশ প্রাইজ) গী মেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে ঐচ বসন্তকুমারনা লৌখ্রে।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট তরুক্কী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় পূন্না ১৩০ হেনবনা শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিদা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ (কেশ প্রাইজ) লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ পি সরতচন্দ্র, কুম্বী এ সীগী এম এল এ এস বির, ওইনাম এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন এল রাধাকিশ্বর, ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন অমদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পি এ সী চেয়রমেনসু ওইরিবা ককচীং এ সীগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগা মরী লৈননা ঙসি সব জুনিয়র গর্লস সিঙ্গলস ইভেন্টকী ফাইনেল মেচ ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই লখিপ্যারি অমদি থৌবালগী এম দিপা শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই লখিপ্যারিনা ৪-৩, ভেটেরান দবলসকী ফাইনেল মেচতা এন বিরেন অমদি এল উপেন্দ্রোগী জুরানা পি লোকেন্দ্রো অমদি এম সুরজিৎকী জুরাবু ৩-১ অমসুং মেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে ঐচ বসন্তকুমারনা এম পি এস সীগী এল বিক্রম্বু ৪-৩দা মায়থীবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মনাশিং থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা য়েন্থোকখি।



# ৱাই পি ও সোরানা এস এ ও ককচীং মায়থীবা পীখ্রে, য়ু বি এস এ মন্তক অমসুং ৱাই দি ও সোরা গোল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচীংগী শান্নবুংদা চথরিবা ১৭শুবা ক্ষেত্রিময়ূম লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ৱাই পি ও সোরানা এস এ ও ককচীং মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা য়ু বি এস এ মন্তক অমসুং ৱাই দি ও সোরা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ুনাইটেদ ব্রদরস স্পোর্টিং এসোসি-এসন (য়ু বি এস এ) মন্তক অমসুং য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (ৱাই দি ও) সোরাগা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ২৫শুবা মিনট ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্লখিদে। মেচকী ২৬শুবা মিনটতা য়ু বি এস এগী জর্সি নম্বর ১০ ভিক্টর দাংমৈনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু য়ু বি এস এ মন্তক্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। ৱাই দি ওগী মায়কৈদগীসু য়ু বি এস এনা মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চথরকখি। য়ু বি এস এগী শান্নরোয়শিংনা ৱাই দি ওনা চথরক্লিবা এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌদুনা ৱাই দি ওগী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা য়ু বি এস এনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু ৱাই দি ওগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা ৱাই দি ওগী মায়কৈদগী য়ু বি এস এনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক মথং মথং চথরকপা উখি। মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ২৪ রুহিটনা য়ু বি এস এগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা লৈহনখি। রুহিটনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবগীদমক এটেক কয়া চথনরকখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ৫ ওকেন্না মেচকী ৩২শুবা, জর্সি নম্বর ৬ নসির খান্না মেচকী ৫৪শুবা অমদি য়ু বি এস এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ ভিক্টর দাংমৈনা মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা সেনা এথলেটস ওর্গেনাইজেসন (এস এ ও) ককচীং অমসুং য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গেনাইজেসন (ৱাই পি ও) সোরাগা শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা মায় পাক্লবগীদমক লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদনা মেচ অদু গোল ০-০দা লৈখি। মেচকী ৩০ প্লস টুদা ৱাই পি ওগী জর্সি নম্বর ১১ প্রেমজিৎনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী এস এ ওগী শান্নরোয়শিংনা ৱাই পি ওগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু ৱাই পি ওগী মায়কৈদগী এস এ ওগী এটেকশিং অদু নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নখি। মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা ৱাই পি ওগী জর্সি নম্বর ৯ এম দি রাজানা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু ৱাই পি ওনা গোল ২-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাই পি ওনা এস এ ওবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

# জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসন্না মাঙজিল থারি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসন্না শীন্দুনা জিরিবামগী বিদ্যানগরদা লৈবা মল্টিপর্পজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লিবা ২৯শুবা ষ্টেট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএ-সন্না গোল্ড ৯, সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ১৮ ফংদুনা মাঙজিল থারি।

দিষ্ট্রিক্ট মঙানা শরুক য়াদুনা নুপা অমসুং নুপী ১০৩, নুপা ২৪৭ অমদি ওফিসল ৭৫ পূন্না মীওই ৪২৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা চেম্পিয়ন-শিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজকী ফুন্নবা অমগী ইভেন্টকী কেজি ২১গী কেটেগোরিদা লুৱাং থাঙ-তা একাদেমিগী সী ঐচ পোইরৈতোন্না গোল্ড, একাদেমি অসিগী প্রেমজিৎ লাইরিকয়েংবম্না সিলভর অমসুং পহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী ধনজিৎ ৱাংখেম্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ২৯গী কেটেগোরিদা লুৱাং থাঙ-তা একাদেমিগী এন কলিঙ্গনা গোল্ড, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী আর কে পারিসনানা সিলভর অমসুং এসোসিএসন অসিগী আই পোইরৈঙানবনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। কেজি ৪১গী কেটেগোরিদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী ভোলেন্না গোল্ড, পহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী টি ঐচ অভিনাসনা সিলভর অমসুং সোফিয়া ইংলিস স্কুল সাই থৌবালগী পি সুরজনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

সব জুনিয়র গর্লসকী ফুন্নবা অমা ইভেন্টকী কেজি ২৫গী কেটেগোরিদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএ-সনগী ৱাই লাংলেনতোম্বীনা গোল্ড অমসুং এসোসিএসন অসিগী দব্লিয়ু কোরিয়ান্না সিলভর মেদল লৌখি। কেজি ৩৩গী কেটেগোরিদা লুৱাং থাঙ-তা একাদেমিগী সী ঐচ দিভিয়ানা গোল্ড, থোইবী থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন মোইরাংগী এল সুমিলা চনুনা সিলভর অমসুং লুৱাং থাঙ-তা একাদেমিগী এস অঙৌবীনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি ফাওবদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসন্না মেদল ১৮ ফংদুনা অহানবা, লুৱাং থাঙ-তা একাদেমি খুরাইনা মেদল ১৩ ফংদুনা অনীশুবা অমসুং পহুলাসি ময়ায় কোয়বীনা মেদল ৬ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।



# সী ঐচ এম ৱাই দি এ শঙ্গাইয়ুম্ফম্না ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



থৌবাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর অমেচর খো-খো এসোসিএসন (মাকা) গী মীৎয়েং মখাদা সলুংফম য়ুথ স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল এসোসিএসন (এস ৱাই এস সী এ) না শীন্দুনা সলুংফম পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ৪৩শুবা সেনিয়র অমসুং ৩০শুবা সব জুনিয়র (লেট পি ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল ত্রোফি) খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ওভরওল টিম চেম্পিয়ন সী ঐচ এম ৱাই দি এ শঙ্গাইয়ুম্ফম্না ওইখ্রে।

৪৩শুবা মণিপুর ষ্টেট সেনিয়রদা নুপাগী টিম ১৪ অমদি নুপীগী টিম ৮ অমসুং ৩০শুবা সব জুনিয়র (লেট পি ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল ত্রোফি) খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা নুপাগী টিম ১২ অমদি নুপীগী টিম ৭না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী অধক্ষ হসিনা বেগম, উপ অধক্ষ টি নুংশি, কাংয়াম্বেম জি পিগী প্রধান পি ঐচ লৈবাকচাওনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী সেনিয়র মেনগী ফাইনেল মেচতা এস সী ঈ এ এস টি ও হৈরোক্লা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাইবু পোইন্ট ১৫-১৪দা থোইদুনা সেনিয়র মেন্সকী চেম্পিয়ন ওইখি। সেনিয়র ৱিমেনগী ফাইনেল মেচতনা আর য়ু সী খাঙবোক্লা এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোকপু পোইন্ট ৫-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

সব জুনিয়রগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচশিংদা নুপাগী সী ঐচ এম ৱাই দি এ শঙ্গাইয়ুম্ফম্না পি ৱাই দি সী খাঙবোকপু পোইন্ট ১৭-৫দা, নুপীগী কাঙলূপ্তা সী ঐচ এম ৱাই দি এ শঙ্গাইয়ুম্ফম্না আর য়ু সী খাঙবোকপু পোইন্ট ২১-১৮দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

সব জুনিয়র বোইজকী কাঙলূপ্তা পি ৱাই দি সী খাঙবোক্লা রন্নর্স-অপ, এস সী এ এস দি ও হৈরোক অমদি আর ৱাই সী কৈবিনা অহুমশুবা, নুপীগী কাঙলূপ্তা আর য়ু সী খাঙবোক্লা রন্নর্স-অপ অমদি পি ৱাই দি সী অমসুং এস সী এ এস দি ও হৈরোক্লা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। সেনিয়রগী নুপাগী কাঙলূপ্তা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাইনা রন্নর্স-অপ, এল ৱাই দি ও অমদি সী ঐচ এম ৱাই দি এনা অহুমশুবা, নুপীগী কাঙলূপ্তা এস সী এ এস দি ও হৈরোক্লা অনীশুবা অমসুং সী ঐচ এম ৱাই দি এ অমদি এ এস কে এনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# অত্যা-পত্যাগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ হিমাচল প্রদেশকী পলমপুরদা সেপ্টেম্বর ২৭তগী ৩০ ফাওবা অত্যা-পত্যা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া নাগপুর, মহারাষ্ট্রনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ২৭শুবা নুপামচা অমসুং ২০শুবা নুপীমচাগী সব জুনিয়র অত্যা-পত্যা নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়ারুবা মণিপুর অত্যা-পত্যাগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং ঙসি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈবা ইম্ফাল রাইজিং য়ুথ ক্লব (আই আর ৱাই সী) কী কম্যুনিতি হোলদা তরাম্না ওকখ্রে।

অত্যা-পত্যাগী টিম ওকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর অত্যা-পত্যা এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনাম কুমারনা চীফ গেষ্ট, আই আর ৱাই সীগী এদভাইজর টি ঐচ অথোইনা প্রসিদেন্ট অমসুং ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম কবিতানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অদুদা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ২৪ অমদি ওফিসল ৪না শরুক য়াখি। ওফিসল মরি অদুদি নুপাগী কোচতা ওইনাম দিনেস কুমার অমদি মেনেজরদা থৌদাম অকাস কুমারনি। নুপীগী কোচতা য়ুম্নাম অজিৎকুমার অমদি মেনেজরনা লাইশ্রম কবিতানি। থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইখিবশিংনা শান্নরোয়শিংদা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।



HL-B/4720/24/6-21/10 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com